নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী অনৌবা ওফিস বিল্ডিং সেনাপতিদা এন পি এফ (সেন্ট্রেল)গী প্রসিদেন্ট ডা. সুর্হোজিলি লিজিয়েটসুনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা হাংদোকখিবগী থৌরম

মোইরাং এ সীগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা এ সী অসিগী মনুং চন্না লৈবা লৌমীশিংনা হারগী অৱাবা মায়োক্নরিবা অসি কোকহনবদা মতেং ওইননবা লৌমী ৬০০ রোমদা লৈঙাক্লা লেপ্পা মমলদা হার ফংহনখিবা

ক্লাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বীদা লৈবা ইবুধৌ নোংশাবা শঙলেনদা পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশনা হেল্থ দেস্ক হাংদোকপগা লোয়ননা ভেক্সিন কাপ্পা লাকপশিংগী চান-থক্লবা অমদি ঈশিং তেংবাঙখিবা

কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরনা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা কৈথেলশিংদা পোৎফম ফল্লিবশিংনা এস ও পি ঙাক্লা পোৎফম ফন্ননবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা

রুটিন ওটি হৌরগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৩ (ঐচ এন এস): রিজনল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) হোস্পিটালগী রুটিন ওটিগা লোয়ননা জেনরেল ও পি দি লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ৬তগী অমুক নৌনা হৌরগনি হায়না রিমসকী মেদিকেল সুপরিন্টেন্দেন্ট প্রোফেসর ঐচ প্রিয়োশখিনা থোকখিবা ওর্দর অমনা খঙহল্লক্লি।

ওর্দর অদুগী মতুংইন্না খুদক্তা লাক্লগা ও পি দি য়েংবদি য়ারোই। পেসেন্টশিংনা ও পি দিদা লায়েংবা লাক্কদবা নোংমা ৱাংলিঙৈদা টেলিফোনগী খুথাংদা এপোইন্টমেন্ট লৌগদবনি। পেসেন্টশিংনা এপোইন্টমেন্টকীদমক মোবাইল নম্বর ৭০৮৫৪০৬৪৬৮, ৬০৩৩৮৪৯৪৩৭, ৬০৩৩৮৫৫৭০৮, ৭০৮৫৪০৬৪৩৩, ৭০৮৫৪০৬৩৮৫দা থবক শুগদবা নুমীৎশিংগী অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ২ ফাওবগী মনুংদা কন্টেক্ট তৌরকপা য়াগনি। লোয়ননা সোসল দিষ্টেন্সিং অমদি অতোপ্পা চেকশিন থৌরাংশিংসু নীংথিনা ঙাক্না চৎকদবনি। রিমস হোস্পিটালগী ও পি দি ব্লোক্তা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা কেজ্যুলিটি সর্ভিস অসিসু ওল্ড কেজ্যুলিটি ব্লোক্তা হোংজিল্লগনি হায়নসু ওর্দর অদুনা খঙহল্লক্লি।

এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৩ (ঐচ এন এস): কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎকী মতাংদা সেলিন দিজিটেল অমদি এন আর মীদিয়ানা শীন্দুনা মণিপুরগী মফম কয়াদা চথরকপা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামগী শরুক অমা ওইনা ঙসিসু ঙাইখোং খুল্লেন ভিলেজদা পাঙথোকখ্রে হায়না সেলিন দিজিটেলগী ফিল্ড পব্লিসিটি ওফিসর কে এস ঐচ জেমসনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরমদুগা মরী লৈননা সেলিন দিজিটেলগী প্রদ্যুসর ফাঞ্জৌবম লনজিৎনা হায়খিবদা, ঐখোয় হৌজিক কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ খরমখৈ হন্থরিঙৈ মনুংসিদা চেকশিনবগী মথক্তা হেন্না চেকশিনমিন্নদুনা এস ও পি নীংথিনা ঙাকমিন্নবা মথৌ তাই। ঐখোয় পুম্নমক চিংনবা লৈতনা কোভিদকী ভেক্সিন দোজ শুনা কাপথোকমিন্নসি। ঐখোয় পুন্না ৱাখল তামিন্নদুনা লায়না অসিদগী ঙাকথোক্ননবা অমদি লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবগীদমক এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম অসি মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকচবনি হায়খি। কেম্প্যেন অদুদা সেলিন দিজিটেলগী সী ও, টি ঐচ বাদন, এফ পি ও, কে এস ঐচ জেমস অমদি এন আর মীদিয়াগী প্রোপ্রাইটর এন আর রাজেশসু শরুক য়াখি হায়রি।

মপোক নুমীৎ থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৩ (ঐচ এন এস): আর কে মিসন, অৱাং পোৎশংবম লিংখৎখিবগী ১১শুবা মপোক নুমীৎ নীংশিং থৌরম এস ও পি ঙাক্না য়াম্না চম্না ঙসি মিসন অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে হায়না আর কে মিসনগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি থৌনাওজম বিমোলানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, থৌরমদুদা সোসল ৱার্কর জয় কোন্থৌজমনা চীফ গেষ্ট অমসুং চীফ ত্রষ্টি ডা. আর কে গুনচন্দ্রনা প্রিসাইদ তৌখি। অসামগী হোজাই আমতোলাদা লৈবা নোংথোম্বম ইন্দ্রকুমারনা ইবা *তেঙবানবসিদা ঐখোয়শি অমতনি* হায়বা শৈরেং লাইরিক অদুসু ফোঙখি। লোয়ননা চীফ ত্রষ্টি রাজকুমার গুনচন্দ্রনা ইবা *ৱাহৌদোক খরা নৈনবা খরা* অমসুং *খোমজিনবা নৈনা ৱারেং খরা* মিংথোনবা লাইরিকশিংগী কোপী অমমমসু অরাকপশিংদা য়েন্থোকখি। মিসন অসিগী অকোয়বগী লম-তূ শেংদোকপা অমসু উহৈ পানবা উপাম্বী কয়া থাবনা নুমীৎ অসিগী মরুওইবা থৌরম ওইখি। মিসন অসিগী অখন্নবা পান্দমদি মালেম অসিদা অঙৈংবা, অতপ্পা, পোথোক চাথোক লৈবা খুন্নাই অমগী মঙলানদা লমদম অসি মাঙদা চঙশিন্নবা অমসুং ৱাত্ত-পাদবা চাউখৎপা মফম অমা ওইনবা হোৎনবনি হায়নসু চেরোলদুনা ফোঙদোরক্লি।

মীতোপ মীয়ানশিংদা দুকান নৎত্রগা য়ুম শান্দোকপগী হৈনবী লৈরক্লি : জে সী আই এল পি এস

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): ইরৈপাক ইরমদম অসিগী য়েলহৌ ফুরুপকী মীওই খরনা শেলদা হেন্না লাইচুরকপদগী য়েলহৌমী ঈ মশেলনি হায়বা কাউনরকপা অমদি নুংশিনবা ৱাৎলকপদগী শেল হেন্না পীগদবা মীতোপ মীয়ানশিংদা দুকান নৎত্রগা য়ুম শান্দোকপগী হৈনবী লৈরক্লি হায়না জোইন্ট কম্মিটি ওন ইন্নর লাইন পর্মিট সিষ্টম (জে সী আই এল পি এস)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

জে সী আই এল পি এসকী কো-কনভিনর চিংখৈনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, হৌজিক কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসিনা খম থেংনা ৱারবা মতমসিদা ঐখোয় মশেল অমগা অমগা কোওপরেসন পীনদুনা হিংমিন্নগদবা মতমসিদা য়েলহৌ ফুরুপ মশেলনি কাউথোকপমখৈ ঈ মশেলগী মরক্তা অচৌবা মুক্নবা লাক্লি। মুন্না খন্থরবদি মসি মুক্নফম থোক্তে। ৱারিঙৈ মতমসিদা শেল খরা কোম্বনা খরা য়েংবীবা য়াবজাৎনি। তাথোক-তাশিন তৌনদুনা মায়কৈ অনীমক্না অফবা লম্বীদা পুরক্নবা হোৎনবীয়ু। লায়না-লাইচৎসিনা ৱারবা য়েলহৌ ফুরুপ মশেলনি খনবীদুনা হেন্না অৱাবা পীবীরোইদবনি। কৈদৌরুনি চফু কায়রগা ক্লাকনা হরাওনবনি কাউবীগনু। ঐখোয় মশেল সপোর্ট তৌনগদবনি। হীরম খূদিংমক্তা মীয়ানচাশিংগা লোয়নরগা পাঙথোকপা থবক থৌরম্না হেন্না লুম্না লৌরকপা য়াম্না তোয়না উরক্লি। মসি অফবা খোঙথাং নত্তে। খুন্নাই অমা কন্ননবা হোৎনবদা লিংজেল মান্নবা চঙই হায়বসি ইরৈচাশিংনা কাউরোইদবনি।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মালেমগী ওইনা কোভিদ লায়না-লাইচৎ অসিনা হেন্না শোকহল্লকপদা ইন্দিয়াগী চাউখ্রবা ষ্টেট খরদগী শুফম-নোম্ফম লৈত্রবা লাইচৎসিনা শোকহল্লবা শিন্নীশিংনা থোমজিল্লক্তুনা পীকখ্রবা মীশিং য়ামজদ্রবা পোপ্যুলেসন লাখ ৩০ রোমতা লৈবা ইরমদম অসিদা মীয়ান শিন্নীশিং লেপ্পা লৈতনা চঙলকখিগনি। অদুবু ইরৈপাক ইরমদম কংলৈপাক্কী য়েলহৌ ফুরুপ ঐখোয়না অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লমদমসিদা থবক চিলহাও থিদনা শু-নোম্বা হেন্না কনখৎতুনা থবক খূদিংমক য়েলহৌ ফুরুপনা পায়শিন্ননবা হোৎনগদবনি। ঐখোয়না কোমথোক্লিঙৈ মীতোপনা শু-নোমখ্রবদি ঐখোয়গী চাকখাও হাঙবা শোয়দ্রবনি। ইপা-ইপুনা থল্লম্বা পারৌ নীংশিংবীয়ু। নোম নোম সগাইতোং চানবা লৈতে তখেল থাঙ ৱাফম অসি ঐখোয়না ৱাহন্থোক খরা খঙলকপদগী ঙসিদি শিন্নীগী থবক খরদি য়েলহৌ ফুরুপনা খুদুম চনশিনবা ঙল্লিবনি হায়বসি ঐখোয়না কাউরোইদবনি। থেঙলবসু থেঙনা হৌজিক য়ুমথংনরিবা লৈবাকশিংদা চৎনরিবা বেঙ্গোল ইষ্টর্ন ফ্রন্টিয়র রেগ্যুলেসন এক্ট ১৮৭৩ ইরৈবাকসিদা চৎনরে হায়দুনা হরাওজরবসু লৈঙাকসিনা চপ চাবা চৎন-কাঙলোন থম্বীদবদগী হৌখিবা ওগষ্ট ১৯দা মেমোরেন্দম অমা জে সী আই এল পি এসনা লৈঙাক্তা পীশিনখ্রবা মতুং মীয়ামগী ইহুল খঙনা লৈঙাক্লা আই এল পি মোনিটরিং সেল হাংদোরক্লি। মতুংদসু লৈঙাক্লা মীয়ামগী অপাম্বদু থবক্তা ওন্থোকপীরক্কনি হায়না থাজবা থল্লি। হায়রিবা মোনিটরিং সেল অসিগীদমক শিন্দোক-শিঞ্জিন তৌনবগীদমক মকোক থোংবা ওফিসরশিং খায়দোক্তুনা থমখ্রে। হোমগী দেপ্যুটি সেক্রেটেরিনা থোকখিবা ৱাফমদা জিরিবাম রেলৱে ষ্টেসনদগী চঙলকপা, থোকখিবা মীওইশিং ইন্নর লাইন পর্মিট রুলস ২০১৯গী মখাদা রেজিষ্ট্রেসন তৌনবগীদমক্তা কাউন্টর, ফেসিলিটেসন সেন্টর হাংদোরক্লি। মাও গেট অমসুং ইম্ফাল এয়রপোর্ট, জিরি গেটতসু ট্রাঞ্জিট কাউন্টর হাংদোরক্লি। হায়রিবশিং অসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। হৌজিক্কী মতমদা মীওই কয়ানা শেলতবু মীহৌবা, তোলোপতবু পাম্বা, মরৈবাক মরমদম, মশাগী ফুরুপপু কঞ্জবগী ৱাখল্লোন চেন্নরক্তবা অসিনসু মীয়ানচাশিংগী খুদোংচাবা মফম অমা ওইহন্দুনা ইরৈবাক অসি ঙসিদি য়ৌনা শোকচিনখ্রবনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী ইরৈবাক ইরমদম কঞ্জনিংবা ইরৈচা কয়া থৱায়না পোন্থা পীখ্রবনি। ঐখোয়গীদমক হায়বসি হৌজিক্কী মীরোলনা কাউশিল্লকপা ঐখোয়গী লাইবক থীবনি। ইরমদম ইরৈচা য়েলহৌ ফুরুপ কঞ্জনবগী সিভিল সোসাইটি ময়াম্না লিশাং শিংনা কন্না হোৎনদুনা লাক্লিঙৈ চৈরকসিদা য়েলহৌ ইরৈচালক্তগী ইচিল-ইনাও খরনা মশাগী ওইবা কান্নবা খরগীদমক মীয়ান মচা ময়াম অমা লেপ্পা লৈতনা পুশিল্লকপদা মতেং হেন্না পাংশিল্লিবা গাড়ী থৌবীরিবা ইচিল-ইনাও খরসু য়াওশিন দুনা ঙাইহাক্কী ওইবদা মশাখক কান্ননবা হোৎনরিবসি মতম কুইনা চথরক্লে। মসি ইচিল-ইনাওশিংনা মুন্না অমুক্তং খন্থবীরগা তৌবীগনু, থাদোকপীয়ু। ঐখোয় ইশাগী ফুরুপ ঐখোয় ইশানা কনমিন্নগদবনি। কনানসু ঐখোয়বু কনবীরোই কাউবীগনু। য়ুমদাংবনা কৈ নাইরক্লবনি। নোংমদি য়েলহৌ ফুরুপ ওইরিবা ঐখোয় শোয়দনা ইরমদম কংলৈপাকসিদগী মুৎখ্রগনি হায়বসি পুম্নমক্না নীংশিংফম থোকই। লায়না-লাইচৎসিগী অৱা-চৈথেংনা শেন মীৎলোনদা খম থেংনা শোকচিল্লক্লিবা মতম অসিদা মীয়ানচাশিংগী মখুৎতা মার্কেট অয়াম্বা পায়শিন্দুনা শান্ননিংবা মওংদা শান্নদুনা লৈরি হায়বসিসু ইরৈচাশিংনা কাউবীগনু। হায়রিবশিংসি সী এস ওশিংনা কুপ্না য়েংশিন্দুনা লাক্লি। মতুংদসু য়েংশিনখিগনি। পুম্নমকসি ফননবা য়েংশিনবদা ইরৈচাশিংগীসু অচৌবা থৌদাং লৈ হায়না চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

ইলেক্সন লাকপদা কোভিদ-১৯ লৈরি হায়বা কাউথোক্লবগী মওংদি খক তৌরোইসি : আনন্দ

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): ইলেক্সন লাকপদা কোভিদ-১৯ লৈরি হায়বা কাউথোক্লবগী মওংদি খক তৌগুমসি হায়না বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী ষ্টেট এগজিক্যুটিভ মেম্বরসু ওইরিবা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোরক্লি।

ক্লাকৈথেল অখাম লৈকায় য়ুথ ক্লব, নোংশাবা ক্লব ক্লাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বী, ন্যু ষ্টেট ওর্গনাইজেসন ক্লাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বী, ইরৈমা সেবা এসোসিএসন ক্লাকৈথেল লাইশ্রম লৈকায়, য়ুথ ষ্টার রাইজিং ক্লব ক্লাকৈথেল থোকচোম লৈকায় অমসুং কোওর্দিনেটিং ২১ নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সীনা পুন্না শীন্দুনা এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দগী মীৎয়েং মখাদা ক্লাকৈথেল হৈনৌখোংনেম্বীদা লৈবা ইবুধৌ নোংশাবা শঙলেনদা অনীশুবা দোজ কাপথোকহনবগী পাঙথোকখিবা ভেক্সিনেসন প্রোগ্রামগী থবকশিং য়েংশিল্লদুনা মথক্কী ৱাফম অসি এক্স-এম এল এ, আর কে আনন্দনা ফোঙদোকখিবনি।

মহাক্না হায়খি, হৌজিক কোভিদকী থার্দ ৱেভ লাক্লবা য়াই হায়না অখঙ-অহৈ এক্সপার্টশিংনা হায়নবা লৈরে। থার্দ ৱেভ লাক্লবদি অঙাংশিংদনা হেন্না নাবা য়াই হায়না পান্নরি। অদুবু অঙাংশিংগী ওইনা হেল্থ ক্যেরগী ফেসিলিটি অসি য়াম্না ফবা ওইদ্রি। কোভিদকী ফর্ষ্ট দোজ কাপ্লবা পুম্নমক্না অনীশুবা দোজ কাপ্তুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু মায়থীবা পীনবা হোৎনমিন্নসি। এসেমব্লী ইলেক্সন নকশিল্লকপনা মরম ওইরগা ইলেক্সনগী থবক থৌরমসু তৌদবা য়ারোই। মরম অসিনা কোভিদতগী ঙাকথোক্নবা চৎন-পথাপ ঙাক্লা ইলেক্সনগী থবক থৌরমশিং পাঙথোকপা মথৌ তাই। মীয়ামসু চেকশিনবা চঙই। কোভিদ থেংনবনা অহানবা প্রাইওরিটি ওইহনসি। ইলেক্সন লাকপদা কোভিদ লায়না-লাইচৎ কাউথোকপা তৌরোইসি। লায়না-লাইচৎ অসি লৈরি হায়বা কাউথোক্লুবা মতমদা অমুক হন্না মীওই কয়া নারকপা অমদি শিহল্লকপা য়াই। নাওরিয়া পাখংলাকপা এ সী অমসুং মণিপুর অসি কোভিদ ফ্রী ওইহন্ননবা মীয়াম পুন্না হোৎনমিন্নসি। এস ও পি ঙাকমিন্নসি। মণিপুর মীয়াম্না হৌজিক কোভিদ ভেক্সিন অহানবা দোজ অমসুং অনীশুবা দোজ কাপ্লে হায়দুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু খরা লাইথোরকপগী মওংদা লৈরকপা অসি লাইবক থীবনি। ভেক্সিন কাপ্লবনিনা মাস্ক উপত্রবসু য়ারে, লায়না অসিনা নাররোই হায়বগী মওংদা মীয়াম্না লান্না খন্নরকপা অমসুং লাইথোক্নরকপা অসি খক তৌরোইদবনি। কোভিদকী এস ও পি ঙাক্তবগী থৌওংসি তৌগুমসি।

হৌজিক ষ্টেট অসিদা কোভিদ টেষ্ট তৌবগী চাংগী মতুংইন্না পোজিটিভ ওইবগী চাং অসি চাদা ৮ লোমগী ময়াদা অদুম্মক লৈবনা এলার্মিং ষ্টেজদা লৈরি হায়না লৌবা য়াই। মণিপুর লৈঙাক্না সী এস ও, ক্লব, ওর্গনাইজেসন কয়াগা পুন্না খুৎশম্নদুনা লায়না-লাইচৎ অসিবু থেংননবা কন্না হোৎনরবসু নাবগী চাংদি অদুম্মক ৱাংলি। মরম অসিনা কোভিদকী এস ও পি মখা তানা ঙাকমিন্নখিসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

ভেক্সিনেসন প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা মফম অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশনসু হেল্থ দেস্ক হাংদোক্তুনা কোভিদকী ভেক্সিন কাপ্পা লাকপশিংদা চান-থক্লবা, ঈশিংনচিংবা য়েন্থোকপগা লোয়ননা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী প্রসিদেন্ট কাঙবম নিংথেমজাওনা হায়খি, বি জে পি কিষান মোর্চানা ঙসি ফাওবদা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা অমদি ভেক্সিনেসনগী থবক্তা শরুক য়াদুনা মীয়ামগী মতেং পাংদুনা লাক্লি। মখা তানসু বি জে পি কিষান মোর্চানা মীয়ামগী য়াইফননবা অমদি লায়না লাইচৎ অসিবু থেংনবদা লৌবা য়াবা থৌদাংশিং লৌখিগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা বি জে পি কিষান মোর্চা মণিপুর প্রদেশকী ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা বি জে পি ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী ইন-চার্জ মুতুম দিনেশ্বরসু শরুক য়াখি।

এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী অনৌবা ওফিস বিল্ডিং সেনাপতিদা হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): নাগা পিপলস ফ্রন্ট (এন পি এফ) মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী অনৌবা ওফিস বিল্ডিং ঙসি এন পি এফ (সেন্ট্রেল)কী প্রসিদেন্ট ডা. সুর্হোজিলি লিজিয়েটসুনা সেনাপতিদা হাংদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা এন পি এফ (সেন্ট্রেল)গী প্রসিদেন্ট ডা. সুর্হোজিলি লিজিয়েটসুনা হায়খি, এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী পর্মিনেন্ট ওফিস বিল্ডিং অমা ঙসি হাংদোকখিবা অসিনা লমদম অসিগী মীয়ামগীদমক য়াইফন্নবা পার্টি অসিনা থবক থৌগাই কয়া পাঙথোকপদা হেন্না খুম্মাং চাউশিনবা ঙম্লগনি। অসিগুম্বা পর্মিনেন্ট ওইবা ওফিস বিল্ডিং অমা লৈহন্ননবা হোৎনবদা মতেং পাংবীরকখিবশিং অমদি এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী টিমবুসু থাগৎলি।

মহাক্না হায়খি, লাক্লিবা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লীগী মীখলদা পার্টি অসিনা চাউনা মায় পাক্ননবগীদমক থবক থৌরম কয়া খোঙজেল য়াঙনা পায়খৎপা মথৌ তাই। অনৌবা ওফিস অমা হাংদোক্লবনিনা হৌজিক্তি মাঙলোমদা চঙশিনবগী টেম্পো অদু হলহন্দনা লাক্লিবা জেনরেল ইলেক্সনগীদমক অকনবা মওংদা থবক পায়খৎপা চঙই। চীংগী মীয়াম অমদি মখোয়গী রাইটকীদমক এন পি এফকী এম এল এ মরিনা লৌরক্লিবা থৌদাংবুসু থাগৎলি। হৌজিক হৌজিক লৈরিবা এম এল এ মরি অসিগা লোয়ননা পার্টি অসিগী থৌমীশিংনা পুন্না তান্নদুনা লাক্লিবা মীখল অসিদা এন পি এফকী মীরেপ হান্নদগী মশীং হেন্না মায় পাকহন্ননবা হোৎনসি।

লাক্লিবা মীখল অসিদা এন পি এফকী ওইনা খ্বাইদগী মতিক চাবা কেন্দিদেটশিং খনবগী থবকশিং য়েংশিন্ননবা মণিপুরগী ওইবা সেলেক্সন বোর্দ অমা অথুবদা শেম্লগনি। কন্সটিট্যুএন্সি খূদিংমক্কী ইনে টন্দিং কেন্দিদেটশিংগা পুন্না ফম্মিন্নদুনা খ্বাইদগী মতিক চাবা মীরেপ অদু খনে দাক্লবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী প্রসিদেন্ট ওইরিবা ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরনমেন্ট মিনিষ্টর অৱাংবৌ ন্যুমাইনা হায়খি, ঙসি এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী অনৌবা ওফিস বিল্ডিং অমা হাংদোকখিবা অসিগীদমক এন পি এফ (সেন্ট্রেল)কী প্রসিদেন্ট ডা. সুর্হোজিলি লিজিয়েটসুবু থাগৎপা ফোঙদোকচরি। অনৌবা ওফিস বিল্ডিং শারিবা অসি মিনিষ্টরশিং, এম এল এশিং, এ দি সী চ্যেরমেন অমদি এ দি সীশিংনা পীরকখিবা তেংবাঙ অদুনা ঙম্বনি। ওটোনোমস দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সীল (এ দি সী)গী মীখল মতম অমদা হেক্তা পাঙথোরকপা মতমদা চপ চানা থেংননবা এন পি এফনা শেম-শাদুনা লৈরে। মীয়াম্নসু ঈং-তপ্পা পুরক্তুনা চাউখৎ লম্বীদা চঙশিন্ননবা হোৎনমিন্নসি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

থৌরমদুদা নাগালেন্দগী এম এল এ অমসুং এন পি এফ মণিপুর ষ্টেট য়ুনিটকী ইন-চার্জ ৱাই ভিখেহো স্বু, এন পি এফ (সেন্ট্রেল)কী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট অপোং পোনগর্নর, এন পি এফ (সেন্ট্রেল)কী সিনিয়র ভাইস প্রসিদেন্ট ক্রুজাকি কেলিও, পি ঈ দি মিনিষ্টর লোসি দিখো, হিল এরিয়া কম্মিটিগী চ্যেরমেন কে লৈসিও অমসুং এম এল এ খাসিম বাসুমসু শরুক য়াখি।

আয়ুশকী হিদাক, ফেস মাস্ক য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): মোইরাং এ সীদা মীরেপ ওইখিবা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিগী মীৎয়েং মখাদা মোইরাং এ সী প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্ট অমসুং মাইরেম্বম লৈকায় য়ুথ ক্লবনা শীন্দুনা রিজনল ইন্সটিট্যুট ফোর হোমিওপেথি ইম্ফালগী মখাদা সেন্ট্রেল কাউন্সীল ফোর রিসার্চ ইন হোমিওপেথিগা লোয়ননা কোলেজ গেট মান্দপ, মোইরাংদা মোইরাং ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলগী মনুং চন্না লৈবা ক্লব ৫দা আর্সিনিক এলবম-৩০, হেন্দ গ্লোভ অমসুং ফেস মাস্ক লেম্না য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা সোসল ৱার্কর থোঙাম শান্তিনা ফোঙদোকখিবদা, আর্সিনিক এলবম-৩০ অসিগুম্বা হিদাক অসি মীওইবা ঐখোয়গী ইম্যুন সিষ্টম কনখৎহনবদা নত্তনা পীক্লিবা অঙাংদগী হৌরগা মীপুম খূদিংনা হিদাক অসি চাবদা কোভিদ-১৯ লায়না-লাইচৎতগী খরদা ওইরবসু ঙাকথোকপা ঙম্লগনি হায়না খঞ্জদুনা হিদাক অসিবু এ সী অসিগী মীয়ামদা লেম্না ফংহন্নবা শীনবীখিবা সাইক্লিষ্ট রোহান ফিলেমবুসু থাগৎপা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মোইরাং এ সী প্রোগ্রেসিভ ফ্রন্টনসু এ সী অসিগী মীয়ামদা হিদাক অসি মখা তানা ফংহন্ননবা হোৎনখিগনি হায়খি।

থিবা খঙদনা লৈরকখিবা ১ শিনা ফংলে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা শোমাই (থিংবা খুনৌ) ভিলেজদগী মীওই অমা হৌখিবা ওগষ্ট ১৯দগী থিবা খঙদনা লৈরকখিবা অদু ঙরাং ওইনাম হিল অমসুং ঙমজু ভিলেজগী মরক্তা লৈবা উমংদগী শিনা ফংলে হায়রি।

থিবা খঙদনা লৈরক্লবা মতুং অশিবা হকচাং ওইনা ফংখ্রবা মীওই অদুগী মমিংনা হিভৈ মেথিয়ু অপোকপা লৈখিদ্রবা এস মাইখো কৌই। মহাক শোমাই ভিলেজদগীনি।

ইমুং-মনুংদগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না লৈখিদ্রবা হিভৈ মেথিয়ু হেক মাঙখিবা নুমীৎতুদগী হৌনা শোমাই ভিলেজ অমদি য়ুমথংনরিবা ভিলেজশিংগী মীয়াম্না মহাকপু থিবগী থবক চথুদুনা লাকখিবনি। অদুগা ঙরাং ওইনাম হিল ভিজেলগী খুঞ্জাশিংনা মখোয়গী য়ুমদা য়োকপা ইরোইশিং থিবা চৎপদা ওইনাম হিল ভিলেজ অমসুং ঙমজু ভিলেজগী মরক্তা লৈবা দানিপু উমংদা হিভৈ মেথিয়ুগী অশিবা হকচাং লৈরম্বা থেংনরকখিবনি হায়রি।

অশিবা হকচাং ওইনা ফংখ্রবা হিভৈ মেথিয়ুগী অরোইবা মথৌ মঙম হয়েং মহাক্কী পোক্নফম শোমাই ভিজেলদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

থাগৎপা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৩ (ঐচ এন এস): চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌখিবা সেপ্টেম্বর ১দা লাইরিকয়েংবম লৈকায় হৈক্রু মখোং থোং শঙ্গাবীদুনা মীয়ামদা শীন্নবীরম্বগীদমক্তগা লাইরিকয়েংবম লৈকায়গী মীয়াম্না চীফ মিনিষ্টরবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎপা ফোঙদোকচরি হায়না য়ুনাইটেদ য়ুথ ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি সী ঐচ ওকেন্দ্রোনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

হার ফংহনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্ব ০৩ (ঐচ এন এস): মোইরাং এ সীগী লৌমী ৬০০ রোমদা এ সী অসিগী এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা অনৌবা থৌদাং লৌদুনা হার (য়ুরিয়া) লৈঙাক্লা লেপ্পা অহোংবা মমলদা য়েন্থোকপগী থৌরম অমা পাঙথোকখ্রে। চীঙু থাংজিং গেষ্ট হাউস, মোইরাংদা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুগা মরী লৈননা এম এল এ, পি শরতচন্দ্রনা হায়খিবদা, মোইরাং এ সীগী ওইনা মথৌ তাবা হারশিং লৌমীশিংদা য়েন্থোকপগী থবক তাঙ্কক নাইনা চথুরি। হৌজিক হার ফংদ্রিবা এ সী অসিগী লৌমীশিংদা হার ফংহন্ননবা কন্না হোৎনরি। ওল্লকপা চহীদগীদি লৌমীশিংনা রসনগী হার খক ঙাইবগী মহুৎতা মমাংঙৈগী অহল-লমনশিংনা হোৎনবীরম্বা ওর্গানিক্কী হার শীজিন্নদুনা মীপাল তাঙদবা চাথোক লৈবা ওর্গানিক ষ্টেট অমা ওইনবা হোৎনমিন্নরসি হায়খি।

‘সেপ্টেম্বর ২৫গী ইন্দিয়া বন্দ শৌগৎকনি’

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী লৈঙাক অসিনা লৈবাক অসিগী লৌমী ওর্গনাইজেসন ৩০০ রোমগী অপূনবা প্লেটফোর্ম অমা ওইরিবা সময়ুক্তা কিষান মোর্চানা অনৌবা ফার্ম বিল অহুম হন্দোকহন্নবা লাক্লিবা সেপ্টেম্বর ২৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়া বন্দ অসিদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া, কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট), ওল ইন্দিয়া ফোরৱার্দ ব্লোক, রেভল্যুস্নরি কম্যুনিষ্ট পার্টি অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (মার্ক্সিষ্ট-লেনিনিষ্ট)না মপুং ফানা শৌগৎকনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া মণিপুর ষ্টেট কাউন্সীলগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, অনৌবা ফার্ম বিল অহুম হন্দোকহন্নবা সময়ুক্তা কিষান মোর্চানা হনবা লৈতবা খোঙজং চঙশিল্লকপা থা মাপল হেল্লক্লবফাওবা পৱার খক্তা মীহৌবা নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী চাকখাউ হাংহন্দনবা অমসুং মীপাল তাঙদনা হিংমিন্ননবা হোৎনরিবা লৌমীশিংগী দিমান্দশিং তাশিন্নদনা লৈথোক্লি। লোয়ননা ঈহৌ খোঙজং চঙশিল্লিবা লৌমী লুচিংবশিংগা মখা তাবা ৱারী শানদুনা য়াশিন্নবা অমা পুরক্নবা হোৎনদ্রি। নরেন্দ্র মোদি লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা পুম্নমক্না নিন্দা তৌফম থোকই। অসিগুম্লবা মীচম মীয়ামগী খোল্লাওশিং তাশিন্নদ্রবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা সময়ুক্তা কিষান মোর্চানা সেপ্টেম্বর ২৫দা কৌরিবা ইন্দিয়া বন্দ অসি হেন্না চাউনা মায় পাকহন্নবা লেফ্ট পার্টিশিংনা অকনবা কেম্প্যেন চঙশিল্লগনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

এম য়ু সীগী ভি সীদা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা তকশিনখ্রে

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): এস এস বি দি এম সী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন, জি দি সী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অমদি জে এন এম দি এ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিংনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ওফ কলচর (এম য়ু সী)গী ভাইস চান্সেল্লর (ভি সী)দা অইবা চেরোল পীশিন্দুনা এস এস বি দি এম সী, জি দি সী অমদি জে এন এম দি এগী বিশারদ/দিপ্লোমা অমসুং য়ু জি সীগী বি এ অনীমক লোইরবা মহৈরোয়শিংবু এম য়ু সীগী এম এ কোর্সতা মিং চলহল্লু হায়না চঙশিল্লক্লিবা খোঙজংগী মতাংদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী ওথোরিটিনা করি ফিরেপ লৌরবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়না তকশিনখ্রে।

ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অহুমগী জেনরেল সেক্রেটরিশিংনা খুৎয়েক পীরগা এম য়ু সীগী ভি সীদা পীশিনখিবা চেরোল অদুনা হায়, চৎলিবা একাদেমীক সেসন ২০২০-২১গী অহানবা এম য়ু সীগী এম এ কোর্স হাংদোরকপা মতমদা ওথোরিটিগী অরানবা থৌশিলনা মহৈরোয় খুজোক খরা খক্তবু য়ুনিভর্সিটি অসিদা মিং চলহনবগী নম্ফুগী থৌশিল অমা চথুদুনা লাক্লি। কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ৯দা থোকখিবা এম এ এদমিসনগী প্রোস্পেক্টসতা পীরিবা নাকল নাম্মখক্তগী ওইবা অরানবা চৎন-কাঙলোননা য়ু জি সীগী গাইদলাইনস অমদি ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিশিংদা চৎনরিবা চৎন-কাঙলোনশিংগী ৱাংমদা মণিপুরী কলচরগী খ্বাইদগী মরুওইরিবা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিগী মহৈরোয়শিংবু নম্ফুদা মিং চলহনখিদে। মসিনা মরম ওইরগা ইন্সটিট্যুসন অহুম অসিগী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নশিং, কিমাক্স অমদি এ এম এম এনা এম য়ু সীনা শেমখিবা এদমিসনগী অরানবা চৎন-কাঙলোনশিং হোংদোক্নবা তকশিন্দুনা লাক্লি। অদুবু ঙসিফাওবা ওথোরিটিগী মায়কৈদগী পাউখুম অমত্তা পীদনা নাথৈদুনা চেল্লি।

এম য়ু সীগী এম এ কোর্সতা মিং চনবগী ৱারেপ অসি একাদেমীক কাউন্সীলনা লৌবনি হায়জরবসু নম্ফু দা পৱার অমদি অরানবা থৌশিল কয়াগা লোয়ননা চথুখিবনি হায়বসি য়াম্না ময়েক শেংই। কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ২৮দা ফমখিবা একাদেমীক কাউন্সীলগী মীফম অদু মীওই খুজোক খরনা মখোয়গী অপাম্বা মায়কৈদা পুনবা হোৎনবদা য়ানদবা থোরকপদগী মীফম অদু থুগায়দুনা ৱারেপ লৌহনখিদে। ৱারেপ লৌখিদবা মীফম অদু দেট বেকতা ৱারেপ ইশিল্লগা একাদেমীক কাউন্সীলগী মেম্বরশিংগী ময়ুম-ময়ুমদা চৎতুনা মখোয়গী সাইন তৌহনখি হায়বসি অচুম্বনি। মীফমসিগী অরানবা ৱারেপ অদুবু য়ুনিভর্সিটি অসিগী চান্সেল্লরদা থাদুনা এসেন্ট লৌখি হায়বসিসু অচুম্বনি। অসিগুম্বা অরানবশিং অসি চুমথোক্কে মতম খরা পীবীয়ু হায়না ঈহৌ হৌরিবা মহৈরোয়শিংদা থাজবা পীরম্লগা পাউখুম অমত্তা পীরকপা তৌদনা নাথৈদুনা লৈখি। লোয়ননা ন্যু লাইট পব্লিক স্কুল কৌবা প্রাইভেট স্কুল অমদা কেম্পস হোংদোকখি।

এম য়ু সীদা মহৈ তম্বা য়াহল্লু হায়বা দিমান্দ অসিগী মায়োক্তা মহৈ তম্বা ফংহল্লু হায়রিবা মহৈরোয়শিংদা কাউন্টর অমসুং থ্রিটন তৌরবসি য়াম্না লাইবক থীবা অমদি অঙকপা অমনি। য়ুনিভর্সিটি অসিগী এদমিনিষ্ট্রেসন অসি ভি সী, রেজিষ্ট্রারনা তৌবগী মহুৎতা মহৈরোয় খুজোক খরদা শীন্নখ্রবরা। নৎত্রগনা মহৈরোয় খুজোক খরনা মখোয়গী অনীংবা অপাম্বদা এদমিনিষ্ট্রেটরশিংবু থল্লগা দিক্টেটর ওইনা চলইরব্রা। ৱাফম অসিগা মরী লৈনবা ৱারোলসু ভি সী অমদি রেজিষ্ট্রারনা শেংদোকপীয়ু।

মহৈরোয়শিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি শেংদোকপীয়ু, য়ু জি সীনা য়াদে অদুগা ইন্দিয়ন য়ুনিভর্সিটিশিংদসু চৎনদে হায়বা ঙল্লবদি খোঙজং অসি খুদক্তা তোক্লগে। মহৈরোয়শিংনা তাল্লিবা দিমান্দ অসি ইন্সটিট্যুট অহুম অসিগী মহৈরোয়শিংগী করিয়র অমদি ইন্সটিট্যুট অহুম অসিগী মরাইবক্কীদমক্তনি। লোয়ননা কুমজা ২০১৫দা মণিপুর গভর্ণমেন্টনা মণিপুরী কলচরগীদমক লিংখৎখিবা য়ুনিভর্সিটি অসিবু হিংহন্নবগীদমক্তনি। হৌজিক এম য়ু সী অসিগী এম এ কোর্সতা তম্বীনবা মহৈরোয় মপুং ফানা লাক্তরে। এম এ কোর্স অহানবা হৌবক্তবদা ফীভম থিনা শোক্লে। দিপার্টমেন্ট খরদদি ওজা মশীংনা মহৈরোয় মশীংদগী হেল্লে হায়বসি খঙনরবনি। য়ুনিভর্সিটি অসি হিংগনি হায়বসি মীয়াম্না থাজরক্তবনি। মসি লন্নাই মীওই খরনা মখোয়গী অপাম্বদা খুৎচাও থানা পৱার শীজিন্নদুনা চলাইরি হায়বসি ময়েক শেংলবনি। তাল্লিবা দিমান্দ অসিগী ৱারোইশিন অমা পুরক্ত্রিবফাওবা বি এ কোর্সকী এদমিসন চথুবীগনু। মহৈ তম্বা ফংহল্লু হায়বা মহৈরোয়শিংগী দিমান্দ অসি খুদক্তা পীথোক্কদবনি। কুমজা ২০২০গী নবেম্বর ২৮গী লান্না লৌখিবা ৱারেপনা ইন্সটিট্যুট অহুম অসিগী মহৈরোয়শিং অসিবু এম এদা মিং চলহনবগী মহুৎতা লেটরেল এন্ট্রিদা মিং চলহনগদবনি হায়বা ৱাফম অসি চৎনবা য়ারোই। একাদেমীক কাউন্সীলগী মীফম অমুক ফমদুনা অচুম্বা ৱারেপ লৌবীয়ু। রিজাইন তৌখ্রবা একাদেমীক কাউন্সীলগী মহৈরোয়শিং হঞ্জিনহল্লু অমদি মথৌ তাবা থবক পায়খৎলু। মদু ঙমদ্রিবফাওবা য়ুনিভর্সিটি অসিগী থবক থৌরম অমত্তা চথুবীগনু। মহৈরোয় মশেলগী মরক্তা নুংঙাইনরোইদবা অমদি হেন্না শাথিবা খোঙথাংশিং লাক্তনবা থবক এম য়ু সীগী ওথোরিটিগী মায়কৈদগী লৌখৎপীয়ু হায়নসু এম য়ু সীদা পীশিনখিবা চেরোল অদুদা পল্লি।

কোভিদকী মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম লেপ্তুনা পাঙথোক্লি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ০৩ (ঐচ এন এস): মালেমগী লৈবাক পুম্নমক্তা থেংনরিবা তমথিরবা কোভিদ লায়না লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবা অমদি থেংনবা ঙম্নবা কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুর (কাদা, য়ু পি এফ, নিপকো, এমসু, উপাকো, মপি কাউন্সীল)না লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম ঙরাং ষ্ট্রিট ভেন্দর ফম্বা এরিয়াশিংদা পাঙথোকখ্রে হায়না কম্মিটি ওন কোভিদ-১৯ মণিপুরগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর গীতচন্দ্র মঙাংনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, মাস এৱ্যের্নেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখিবা মফমশিংদি মন্ত্রিপুখ্রি বজার, কোইরেঙ্গৈ বজার, ফৈদিঙ্গা, তেন্দোংয়াং, সেকমাই বজার, কংলাতোংবী বজার অমদি ঙসিগী ওইনা ঙারিয়ান থোংখোং-কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্ট, নিংথৌখোং কৈথেল, লমাংদোং কৈথেল, কৈনৌ কৈথেল, ওইনাম কৈথেলদা ফল্লিবা পোৎফম, ষ্ট্রিট ভেন্দরশিং অসিদা লাউদ স্পিকর শীজিন্নদুনা পোৎফম কুংনা ফল্লম্বশিং লন্থোকহনবা, ফেস মাস্ক উপ্তুবা, কাঙলোন চুম্না উপ্তুবা অমদি হায়জিনিক ওইদবা মাস্ক উপ্পশিংদা ফেস মাস্ক য়েন্থোকখি। পোৎ-চৈ লৈবা লাক্লিবশিং ফিজিকেল দিষ্টেন্সিং লৈহনবা, পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীওইশিংনা পুরকপা গাড়ী মচাশিং মফম চানা পার্ক তৌহনবা, অমোৎপা অমদি অমনবা মাস্ক উপ্তুনা লাকপা মীওই কয়াদা মাস্কসু য়েন্থোকখি।

লৈঙাক অসিনা থল্লম্বা কর্ফিয়ু খরা কোমথোক্তুনা মীয়াম চৎথোক-চৎশিন য়াহল্লিবা অসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীয়াম্না কৈথেল অমদি মী তীনবা মফমশিংদা কোভিদকী এস ও পি ঙাক্লক্তবা কয়া অমা উবা ফংলি। হৌজিক হৌজিক কোভিদকী অনীশুব ৱেভকী লাইচৎ অসি লোইদ্রিবনি। মীয়াম্না কোভিদ লৈতবগুম এস ও পি থওইদবা কয়া অসিনা কোভিদ লায়না-লাইচৎ হেন্না শন্দোকহন্দুনা মীয়াম অসি ৱাগদৌরিবনি। ঙসি ঙসিমকসু ষ্টেট অসিদা মহৈলোয়শঙশিং কয়া অমা কোভিদনা মরম ওইদুনা হান্নগুম হাংদোকপা য়াদদুনা লৈরি অমদি মহৈলোয়শঙ কয়া অমসু কোভিদ কম্যুনিটি আইসোলেসন সেন্টর ওইদুনা লৈরিবনি। কোভিদনা পীরিবা অৱাবা চৈথেং কয়াগী মনুংদা তুংগী য়ুম্বীরেলশিংগী মহৈ-মশিন তম্বগী লম্বীদসু অচৌবা চৈথেং ওইরিবনি। মহৈ-মশিন নীংথিনা তমদবা অসিনা তুংদা লৈবাক অসিগী অরুবা ফীভম অমদা লাকপসু য়াই। মসিদা খক্তা নত্তনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াদসু কোভিদকী কর্ফিয়ু/লোকদাউননা অৱাবা কয়া মায়োক্ন হল্লিবনি। মরম অসিনা মীয়াম পুম্নমক্না লৈঙাক্লা পীরিবা কোভিদ ঙাকথোক্নবগী এস ও পিশিং ঙাক্লা চৎমিন্নবা য়াম্না মথৌ তাই। মীয়াম পুম্নমক্না ৱাখল তামিন্নদুনা কোভিদপু মায়থীবা পীবা নৎত্রগদি অতোপ্পা লম্বী লৈতে হায়নসু চেরোলদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।